ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




থৌবালগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বী ওর্গনাইজেসন ৩০না পুল্লগা শেম্বা থৌবাল অপুনবা লূপনা শীন্দুনা চংশিনখিবা খোঙজংদা নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহ অমসুং এন বিরেনগী মীতম মৈ থাখিবা

‘চীংগা তায়নবা তম্পাক্কী মফমশিংদা স্টেট ফোর্সশিং থম্বীয়ু’
☛ লামায় ২

পূনশিন্দুনা চৎমিন্নবগী মতমনি
লামায় ৪

“মণিপুরদা সিভিল ৱার-!”
☛ লামায় ৫

‘লানসু থেংনরি লৌসু পান্নবা হোৎনজগে, ঈশিংদি পীবীয়ু’
☛ লামায় ৬

রাজ মেদিসিটিনা অশোক অপনশিং লায়েংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকপবু শকখঙবা ওইনা লৌখাম লৈরক ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন অমদি লৌখাম লৈরক মৈরা পায়বীনা লুপা লিশীং ২০গী শেনফম খূৎশিন্নবা




Vol. 47, Issue No. 89 | শগোলশেন, ইঙেনগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 22, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### নুমিৎ ৫০নি শুরক্লবা মণিপুরগী লান হেন্না কনশিল্লক্লে

# মফম ৩দা কাপ্পখ্রে, টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাক্তাদা লৈবা উকু ১

# স্কোরপিও গাড়ী ১দা ফিট তৌবা বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মেজোরিটি মীতৈ ফুরুপকী মথক্তা ‘নার্কো-টেররিষ্ট’ নি হায়নরক্লবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মখোয়গা লোল তিন্নবা ম্যান্মারগী অন্দরগ্রাউন্দ এক্তিভিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মীতৈ ফুরুপ্পু পুংতুম তুম্না লোইশিল্লগে হায়বগী মতাগুম নুমিৎ ৫০নি শুজিল্লক্লবা ফাওবদা লেপ্তুনা লান দারকখিবগী মখা তারকপদা ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইভৌরোক, হরাওথেল অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী শ্বালতাবী উরাংপাৎতা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তারকপদনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফৌবাকচাউ ইখাই পি এসনা কোল্লিবা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী ক্বাক্তা অমদি ফৌবাকচাউ ইখাই অৱাং লৈকায় অনীগী মরক্তা চেনবা মোইরাং তুরেলগী মথক্তা শাবা কলভর্ট অমা স্কোরপিও (জীপ) অমদা মপাঙ্গল কল্লবা আই ঈ দি অমা প্লান্ট তৌদুনা থুগাইরম্বদা মনাক নকপদা লৈরম্বা মীতৈ পাঙল নুপামচা অহুম



শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অসি অহানবদা সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা ইভৌরোক মীতৈ খুল মনীংদা লৈবা চীংগী শরুক্তা শাবা বঙ্করশিংদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা কান্টো শাবল তম্না নোংমৈ কাপথরকখিবনি। মসিদা স্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা কাপ্পখি। নাকল অনীনা খূৎ থোক্নরকপদা মপানগী ফোর্সকী পর্সনেল খরা থোরক্তুনা টু ইঞ্চ মোর্টার বোম কাপশিনবা হৌবদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকপা লেপখি।

থৌদোক অসিগা ইকান কান্নদনা নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদগীনা পুং ৭ হেল্লেকপা ফাওবদনা সেঞ্জম চিরাং মনীংগী চীংথক্তা লৈবা কুকিশিংগী খুল হরাওথেল, সংসন অমদি মোলাইনচিংবা খুলশিংদা শাবা বঙ্করশিংদগী মীতৈগী খুলশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকখিবনি।

থৌদোক অসিদসু খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনা হন্দুনা পুং অমা মখায়রোম খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী স্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংসু চঙশিল্লক্তুনা বোম খরা কাপশিনবদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখা তানা নোংমৈ কাপ্লকখিদে। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# এম এল এ ৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদু পি আর লাক্লবা ইনভাইট তৌবনি হায়না লৌই

### এম এল এ ৯না মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি, প্রসিদেন্ট রুল লাক্লবদি মসিগী তেকচাক এম এল এ ৯না পুগদবনি : মহৈরোয় লূপ ৬





**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মে ৩গী মতুংদগী লমদমসিদা নে তাদবা ফীভম অমা ওইরক্লিবা অসিগী সোল্যুসন পুরক্লবগীদমক মীতৈ ফুরুপকী এম এল এশিং অমত্তা ওইনা অপূনবগী শক্তম উৎতুনা থেংনগদবা মতম অসিদা এম এল এ ৯না মরন্নাইগী ওইবা পোলিটিকেল এদভান্টেজ লৌনবা মানবা মওং অমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদু মহৈরোয় লূপ ৬না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না কে এস এগী প্রসিদেন্ট সুখাম বিদ্যানন্দনা ঙসি নুংথিল ক্বাকৈথেলদা লৈবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মেমোরেন্দম অদু লমদমসিদা পি আর লাক্লবা ইনভাইট তৌবনি হায়না মহৈরোয় লূপ ৬না লৌই। মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ৱাফম হায়বদি মীয়াম্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা থাজবা লৈত্রে, মরম অদুনা রুল ওফ লো ঙাক্তুনা প্রোপর এদমিসন তৌনবা সেন্টরদা স্পেসল মিজর পায়খৎপীনবা হায়রিবা ৱাফম অসিদা ফোঙদোক্নীংলিবা ৱাফম অসি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি থুগাইবা পাল্লিব্রা নৎত্রগা প্রসিদেন্ট রুল লাকপা পাল্লিব্রা হায়বদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা থমগদবনি হায়রি। লোয়ননা নখোয় বি জে ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### অমিট শাহনা জুন ২৪দা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী মীফম কৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরগী ফীভম খন্ননবা থা অসিগী ২৪দা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌখ্রে হায়রি।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :** হয়েং জুন ২২দা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাট্টা ক্রোসিংদগী আর দি এস ক্রোসিং, ইম্ফাল তুরেল মরীলদা শঞ্জেনথোংদগী মীনুথোং ফাওবা, মীনুথোংদগী হাট্টা ক্রোসিং অমসুং আর দি এস ক্রোসিংদগীনা শঞ্জেনথোং ফাওবগীদি কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লোই হায়রি।

অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লবসু মৈতৈ লাঙ্গোল এরিয়াদি কোনশিল্লোই। অমরোমদা হায়রিবা মৈতৈ লাঙ্গোল এরিয়া অসিগী ওইনদি অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবদং কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

### সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন ফংদ্রিবা ফাওবা কম্পেন্সেসন লৌদনবা ৱারেপ্পখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :** হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চথরক্লিবা কাঙলুপ মশেলগী ঈরাংনা মরম ওইরদুনা নাকল অনীমক্কী মীওই কয়া অশি অনা মায়োক্লখ্রবসু ঙরাং চূড়াচান্দপুরগী হিয়াংতমদা লৈবা ৱাই পি এগী জি ঐচ ক্যু হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা ঈরাং মনুংদা লৈখিদ্রবশিংগী লৈঙাক্না কম্পেন্সেসন পীবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক অমা পীগনি হায়খিবদু কুকিশিংনা তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবদি লৌদনবা ইন্দিজিনস ট্রাইবেল লিদরস ফোরম্না খঙহনখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Kuki Militantsinggi SoO louthoktabadagi numit 50ni suraklabasu Manipurgi lan henna kansillakle haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Nakpak tannadaba, amatta oiba Manipur leingakki MLA singna houjik faoba lan khamba ngamdribasi centregi yathang yaodabagi oigadra?

Yes 0% No 100%

### ইন্দিয়াগী বি জে পি য়াওদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী পটনাদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা মণিপুরগী ৱাথোক ‘নেসনল ইস্যু’ নি লাউথোকপীনবা তকশিনখ্রে : এম এল এ রঞ্জিৎ



**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২দা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা হায়জখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং লাকশিন্দুনা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক খূৎ থিংজিনবীনবা হায়জনবগী তাঞ্জা ঙাইরকখিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মনুংদা য়াওরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা দেল্লীদগী ফোঙদোরকপদা মণিপুরগী ইস্যুশিং অসি ‘নেসনল ইস্যু’ অমনি হায়না লাউথোকপীনবা কোংগ্রেস য়াওনা পার্টি ১০গী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী সেন্ট্রেল লিদরশিংদা তকশিন্নখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মথং চহী ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখলগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী বি জে পি য়াওদবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী মীফম অমা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা থা অসিগী ২৩দা পটনাদা পাঙথোক্কদবা মীফমদসু মণিপুরগী ইস্যু অসি নেসনল ইস্যু অমনি হায়না লাউথোকপীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

এম এল এনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীহুৎশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবা ঙাইরক্লবসু উন্নবগী তাঞ্জা পীরকখিদবনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদা হৌজিক মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা অরোনবা এজেন্দা অমা য়াওরে হায়বসি ময়েক শেংলে হায়রি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুরবু মচেৎ তাহনগে হায়বরোমদা মসিগা মরী লৈনবা থবকশিং চথুরকপদি ওইরোই। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি শুংকায় কায়হন্দনা অমসুং ‘কুকিলেন্দ’ গী দিমান্দ ফাওবসু পীরক্তবা য়ারি। মসি ওইরগসু মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈ শুংকাই কাইহন্দনা মণিপুর মনুংদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদা করিনো অমা থৌরাং তৌরক্তুনা শোয়দনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি।

চিংনবা অসি হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চথরক্লিবা থৌওং অসিনা হেন্না মালহনবনি হায়নসু মখা তারক্লি।

# দেল্লীদা লৈরক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীহুৎশিংনা সী পি আইগী লুচিংবা দি রাজা উন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবগীদমক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী দেল্লীদা লৈরক্লিবা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীহুৎশিংনা সী পি আইগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজাগা উন্নদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লবা ফীভমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে। লোয়ননা ফীভম অসি লাকশিন্দুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবা তকশিনখ্রে।





ঙসি ন্যু দেল্লীগী অজয় ভবনদা লৈবা সী পি আইগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরদা মহাক্না উন্নখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অহুল্লক ওইরম্লবা ও ইবোবী, সী পি আই, মণিপুরগী সেক্রেটরি এল থোইরেন, হান্নগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার, জে দি-য়ু, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেন, পার্টি অসিগী লুচিংবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, ডা. কে ঐচ লোকেন, সী পি এম, মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম শান্ত অমসুং অতোপ্পা পার্টিশিংগী মীহুৎশিংসু য়াওখি।

মখোয়না দি রাজা খক্তা নত্তনা সী পি আইগী নেসনল কাউন্সিল সেক্রেটরিশিং- কে নরায়না, রামা ক্রুসনা পান্দা অমসুং নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর এনি রাজা য়াওখি।

মণিপুরগী পোলিটিকেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# ঐসু মমা অমনিনা নখোয়গী চৈনা খঙই, থৌনা ফবী মণিপুরগী ইচে ইচলশিংনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু : সোনিয়া গান্ধী

**ন্যু দেল্লী, জুন ২১ (এজেন্সী) :** মমাঙ থাগী ৩দগী হৌরক্লগা ঙসি নুমিৎ ৫০নি শুরক্লবা ফাওবদা মণিপুরদা ‘অচৌবা হ্যুমেন ট্রেজেদি’ থোক্লি হায়বা ৱাফম্না মাঙ থারদুনা কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টি (সী পি পি) গী চ্যেরপর্সন সোনিয়া গান্ধীনা মণিপুরগী ইবুং ইপ্পা অমসুং ইচে ইচলশিং হায়না শৈহৌদুনা মহাকসু মমা অমা ওইবনিনা নখোয়গী চৈনা খঙই হায়রদুনা মরু ওইনা ঐগী থৌনা ফরবী মণিপুরগী ইচল ইচেশিংনা ফজরবা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা লম্বীদা লমজিংবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা থোরক্লিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা লৈখিদ্রবা নুংশিরবা পূন্নমক্কী মফমদসু থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।



হৌজিক্তি ঐখোয় মরু ওইবা লম্বীশিংগী অফাংবা লমলোং অমদা লৈরি হায়রদুনা ঐখোয়গী অপাম্বদি তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা মওংদা লৈহন্নবা হোৎনগদবা লম্বী ওইনা খনগদবনি হায়রি। ঙসি মায়োক্লরিবা ফীভম অসিদগী ঐখোয়না শাংলবা অমগা অমগা থাজনবগী লম্বীদা চৎতুনা হেন্না পাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# কুকি মিলিটেন্টশিংগী কেম্প তকথোকপনা চীংয়াদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা লৌ উবা ঙমগনি : খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী চীংয়াদা তারিবা খুঞ্জাশিংনা কুমগী লৌ উবা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিল তৌবিয়ু। চীংথকশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শাজিন্দুনা লৈরিবা কেম্পশিং অসি হেক তকথোক্ত্রিমখৈ চীংয়াদা তময়াদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা ঈং-তপ্পা লৌউশিংউবগী থবক পাঙথোকপা ঙম্লরোই হায়না শ্বালতাবিগী অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জা অমনা থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোরক্লি।



য়াইঙংপোকপী মনাক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সনা মৈরা পায়বীশিং থিংখিবা

চীংয়াদা তারিবা মৈতৈ খুলশিংগা তায়নবা চীংশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কেম্প কয়া শাজিন্দুনা লৈরিবশিং পুথোকপীখিদুনা অথাপ্পা মফমশিংদা থম্বিখ্রো। মৈতৈশিংগা নক্লবা খুল ময়াদা মখোয়গী দেজিগনেটেদ কেম্পশিং থম্বিরগনু। য়াইঙংপোকপীদা লৈবা অসাম রাইফল্সকী কেম্পদা লেফটনেল জেনরেল অমসু লাক্তুনা মফম অসিদা খুন্দরিবা মৈতৈশিং অমদি কুকিশিং কৌরগা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা অমনা অমগী মথক্তা খূৎ থানদনবগী ৱাফমশিংসু হায়নখি। অদুবু মীফম অদু লোইশ্রবা মতুংদা মে ২৯দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা খূৎ থাবা হৌরকখিবনি। চূরাচান্দপুরদা মে ৩দা রেল্লি চৎখ্রবা মতুংদা থংনবা মে ৪দা অমুক মীফম অমা অমুক পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদা ঈরাং থোক্লবসু মফম অসিদা লৈরিবা মৈতৈ অমদি কুকিশিংগী মরক্তা খূৎ থানরোইশি হায়বা ৱাফম অমত্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### দি আই পি আরগী ৱাই ফাই রুটর ১সুং ৱায়রশিং অমাঙ অতা থোকহল্লম্লে, পাউমী ২দা এটেক তৌরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** খ্বাইদগী অঙকপা মওংদা রাজ ভবনগী অকোয়বদা মসিবু ঙাক শেল্লিবা সী আর পি এফ পর্সনেলশিংগী সন্ত্রি পোষ্ট মনাক মক্তদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) গী ওফিস মনুংদা চঙলক্লগা লোয়শঙ অসিনা শীজিন্নরক্লিবা ইন্টরনেটকী ৱাই-ফাই রুটর থুগাইবা অমসুং ৱায়রশিং থদৎতুনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্বদা নত্তনা ওফিস অসিদা মথৌ পাঙথোকচবা লাকখিবা ইম্ফালদা ষ্টেসন তৌবা নেসনল ন্যুজ চেনেল অমগী নন লোকল মীদিয়াগী মীওই অমা অমসুং ইম্ফালদা বেজ তৌবা ৱেব পোর্টেল অমগী নুপী পাউমী অমদসু এটেক তৌরম্লে হায়রি। থৌদোকসিগী পাউনা হায়বদা অমাঙ অতা থোকহল্লম্লিবা মীওই অসি সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দগী মৈত্রম সনাতোম্বা মীতৈ (সনা মৈত্রা), ৪৪ অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইবোপিশক কৌই হায়রি।

মহাক্না থবকশিং অসি চথুরম্বদা চীফ মিনিষ্টরগী মমিং পনবগা লোয়ননা মহাক্কী পাউতাক মতুংইন্না তৌবনি অমসুং মহাক মশামক বি জে পিগী কার্য্যকর্তা অমনি হায়নসু শক্তাক্লম্মী হায়রি। ইন্টরনেটকী ৱাই-ফাই রুটর অমসুং ৱায়রশিং অমাঙ অতা থোকহল্লম্লবা মতুংদা মহাক্না লোয়শঙ অসিগী ওদিটোরিয়ম মপান্দগী ছো লোনশিল্লম্লগা ছোজে পুদুনা কেম্পসতগী মপান থোকখি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক সিটি পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাজিনখ্রে হায়রি। অদুবু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী চেরোল অমনদি মীওই অসি পার্টি অসিগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

# চূড়াচান্দপুরদা মীতৈগী য়ূম ১তা লৈত্রে, ‘মীতৈলোল’ ঙাঙবা থিংখ্রে, পাখৎপদগী মে ৪দা লৈখিদবী মীতৈ নুপী ১গী হকচাং করম থোক্লমগদগে খঙদ্রে

### হকথেংনবা পাউদম

### চূড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি নুমিৎ ৫০নি শুরক্লবা ফাওবদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লানগী খম থেংবা চৈথেং ফংদুনা অৱা মৈশা খাংলিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগা লেপ্তুনা হকথেংননা ৱারী শারকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু লৈত্রামগী কাংজৈবুং মনাক্তা নৌনা শাগৎখিবা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লিবা ময়ূম মকে মৈ থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেল্লকখিবা চূড়াচান্দপুরগী দি ফাইলেন লৈত্রাম লৈকায়দগী মশাগী চহী ৩৬ লোম শুরবা মীওই অমনা হায়, মহাক্না লৈরিবা খুল অদুদি শুপ্নতগী য়ূম ২২ মুক্তমক লৈজবা অপীকপা মীতৈ খুলনি। অদুবু ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ চৎপা লোইরবা মতুংদা কুকিশিংনা ঈরাং হৌরক্লে হায়বা তাবদগী মীতৈশিং খরা য়াম্না লৈরিবা খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দা চেনশিন্দুনা থৱায় হিংনবা হোৎনখি। চেল্লিঙৈগী চৈরক্তদি মমাঙদসু মীতৈশিংদা এটেক তৌবা ঈরাংশিং থোকখিবগুম্না নোংঙাল্লগা অদুমক নেমথজখিনি খন্দুনা মশাগী ময়ূমদা নোংঙাল্লগা হঞ্জিনবা য়াগনি খনখি হায়রি।

অদুবু মী লিশীং ৩ লোম লৈরিবা খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায়দা য়াম্লবা কুকিশিং চঙশিল্লক্তুনা এটেক চথুরকখিবা অমসুং য়ূম কয়া পাক্তক্না মৈ থাবগী থৌদোক অদুগুম্না চাওনা থোরক্কনি থাজখিদে। লাইসেন্স নোংমৈ পায়বা মীতৈ মচা খরগী মায়কৈদগীসু মশা ঙাকথোকচনবা নোংমৈ মরূ ১/২ কাপ্পা য়াওখি। অদুবু য়ূম থুগাইদুনা মৈ থাননবগীদমক থোমজিল্লকখিবা মীওইশিং অদুনা য়াম্মনবনা মখা তানা করিসু তৌবা ঙমখিদে।

অহানবা নুমিৎতা খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায়গী য়ূম লোইনমক মৈ থাখিদে। অদুবু লৈকায় অসিগী মীতৈশিং য়াওনা অতোপ্পা চূড়াচান্দপুরগী মৈতৈ লৈকায়দগী চেল্লকপা মীওইশিংদি মফম চাবা-চাবা য়েংলদুনা হিংনবা লোৎনখি। নোংঙানবা মথংগী নুমিৎতা অসাম রাইফলসনা অহানবদা নুপী-অঙাং অমসুং অহল-লমনশিং হান্না হোন্দোক্লগা অতৈনা কোন্না হোৎন্দোরকপদা য়াওরক্তুনা মে ৪গী অয়ূক পুং ৮ লোম তারকপদা ক্বাক্তা ফাওবা য়ৌরকপা ঙমখি। অদুবু মখোয়বু পুরকপগী লম্বীদা থৎলম্বা কুকি মচাশিংনা নূঙনা থোমজিল্লকপা য়াওনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শীজিন্নরকখি। অদুম ওইনমক উচিন নাচিননা মোইরাংগী কোঞ্জেংবম কম্যুনিতি হোলদা হাংবা রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লবা মতুং লৈত্রামগী রিলিফ কেম্প অসিদা থা অসিগী ২দগী লৈরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না য়াম্না নুংঙাইতনা ফোঙদোরকপা ৱাফম অমনা মে ৩দগী লেপ্তুনা চূড়াচান্দপুরদা লৈবা মীতৈগী খুলশিংগী য়ূমশিং নোংমৈ কাপশিন্দুনা থুগাইবা অমসুং মৈ থাবনচিংবা চথুরকপদা মখোয়গী লোলদা ‘জৌভেঙ’ হায়রগা খঙনবা অদুগা মীতৈশিংনা খুগা তম্পাক মৈতৈ লৈকায় হায়না থোঞ্জবা খুল অসিগী মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবী অশোনবী নুপী অমা পাখৎপদগী ৱান্থরক্তুনা লৈখিদে।

মহাক্কী হকচাংদু অসাম রাইফলসনা মীতৈ মচাশিংবু মথং মথং হোন্দোরক্তুনা চূড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা থমখিবগী মনুংদা মিনি সেক্রেটরিএট কেম্পসতা হোন্দোরক্তুনা থম্লবদা য়াওরকখিবনি। মফম অদুদা নুমিৎ নীনি/হুমনি থম্লম্লবা মতুংদা পুলিসনা লৈখিদ্রবী মীতৈ নুপী অদুগী হকচাং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মীরেলশঙদা পুদুনা থমখি হায়রি।

অদুবু চূড়াচান্দপুরগী লাঞ্জেন্নরবা মীতৈশিং ক্বাক্তা/মোইরাং ফাওবা অয়াম্বা য়ৌরকখ্রবসু চূড়াচান্দপুরগী মফম অহুমদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টশিংদা থম্লকখিবশিংদি নুমিৎ ৭/৮নি লোম লৈরকখিবনিনা মফমশিং অসিদগী মীওই অমত্তসু মপান থোকপা ঙমখিদে। অসাম রাইফলসনা ঙাক শেল্লবা মফম অহুমসিদা লৈরবা ফাওবদা কুকিশিংনা নূঙ থাজিনবা য়াওনা মখল কয়াগী এটেক তৌরকখি। মফমশিং অসিদা মীতৈশিংবু হোঞ্জিল্লক্তুনা থম্বগী লম্বীদা ফাওবা কুকিশিংনা থৎতুনা পুথোকখিবা/হোন্দোকখিবা য়ারোই হায়না ফাওবা অথিংবা পীরকখিবনি। মরম অসিনা লৈখিদ্রবী (অবুজম ইবেমহল, ৬০) গীদমক মীতৈগী চৎনবী মতুংইন্না তৌফম থোকপা অরোইবা মথৌ মঙমনচিংবা অমত্তা পাঙথোকপগী তাঞ্জা ফংখিদে হায়রি। লোয়ননা হৌজিক লৈখিদ্রবী মহাক্কী হকচাং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মীরেলশঙদা অদুমক লৈরিব্রা নৎত্রগা পুলিসনা লোগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মেজিষ্ট্রেটতগী অয়াবা লৌরগা দিস্পোজ তৌখ্রবরা হায়বসু খঙবা ঙমদ্রি হায়রকখি।

রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লবসু খঙন-চান্নবা চূড়াচান্দপুরগী কুকি মরুপ মপাংশিংগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবা হোৎনরুবদসু মখোয়গী মায়কৈদগী ৱারী শান্ননীংদবা উৎলক্লে। মসিগী মথক্তা চূড়াচান্দপুরদা ‘মীতৈলোল’ ঙাঙবা/শীজিন্নবা পুমথিং থিংলে হায়নসু খঙহল্লক্লে হায়রি।

মখোয়না ৱারী শান্নবা পামদবা উৎলকপদগী মখা তানসু ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে হায়রি। চূড়াচান্দপুরগী মীতৈ খুলশিংগী য়ূম পূন্নমক লোইনা মৈ থাবদি নত্তে, কুকিশিংগা য়ূমলোন্নবা য়ূমশিংদি মৈ থারুবদা মখোয়গী য়ূম ৱাইরক্কনি হায়বদগী ইমুংদা লৈরম্বা পোৎ চৈশিং পুল্লপ হোন্দাক্তুনা লৌথোক্লবা মতুংদা থুগাইবনি। মসিদা জে সী বিনচিংবসু শীজিন্নে হায়বগী পাউসু ফংলে। অদুগা মৈ থাদোক্লবা/শীদোক্লিবা মীতৈগী য়ূমশিং শারম্বা মফমশিংসু জে সী বি শীজিন্নদুনা তেমথোক্লগা লম্ফাংশিং ওইনা শিৎ নান্না হাঙহল্লগা থম্লে হায়বগী পাউসু তারে হায়রকখি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫